**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-06-2026)**

**নৈলিত (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা পায়খৎপা প্রধান মন্ত্রি ভিক্সিত ভারত রোজগার য়োজনাগী ওইনা মনিপুরগী বিনিফিসরিশিংদা ঙসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ওন লাইনগী খুত্থাংদা কান্নবশিং অদু য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদু ইম্ফাল ইষ্টকী অকাম্পাৎতা লৈবা নৈলিট ইম্ফালদা পাঙথোকখি অমদি থৌরম অদুদা, রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ অমদি গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা ইং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা মপুং ফানা চাউখৎপা ভারত অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। পান্দম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী অসিগুম্বা স্কিমগী শেনফম অসি য়েন্থোকপনি। মসিনা সরকার অসিগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি।

শ্রী ভালানা মখা তানা হায়-পধান মন্ত্রিগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোন অমদি থবক ফংদবগী সমস্যা কোকহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। স্কিম অসিনা লাইরিক লাইশু হৈরবা নহাশিংবু পুকিং থৌগৎপদা নত্তনা লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোনদসু অহোংবা পুরকবা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়-মপুং ফানা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা কেন্দ্র সরকারনা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাং কয়া লেপ্পুনা পায়খৎলি। য়াইফ থৌরাংশিং মীয়ামনা মপুং ফানা য়ৌহনবদা মরী লৈনবা বিভাগশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। মরম অদুনা, মীয়ামদা য়াইফ থৌরাংশিং অসিগী কান্নবশিং য়ৌহন্নবা পুকচেল শেংনা

থবক তৌবা তঙাইফদে। সরকারনা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিং অসি মীপুম তিংনা খঙহনবা অমদি কান্নবশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা মহাক্কী মায়কৈদগীসু অঙম্বা মতেং পাংগনি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন মাঙ থাদুনা থবক তৌরবতদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক চাউখৎ লম্বীদা মাংজিল থাবা ঙমগনি। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ ৩৬ কী মীয়ামনা কৎথোকপগা লোয়নননা লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তম অমদি ঙমখৈ ঙাকমীন্নদুনা লাকখিবনি।

তেংনৌপল জিলাগী লাইচীং লৈবা মীসন ব্লাইন স্কুলগী নৌনা শাবা নুপীমচাশিংগী হোষ্টেল অমা ঙসি শঙ্গারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা শেমগৎলম্বগী ঙসিগী মনিপুর অসিবু হৌরক্লিবা মীরোলনা মানুংশিগী মীৎয়েংগা লোয়নননা ঙাকমীন্নগদবনি।

হৈককপোকপীদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী খেমচান্দনা হায়-খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপ মশেলদা অমনা অমবু ইকায় খুমবগা লোয়নননা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নদুনা চাউখৎ লম্বীদা খুমাং চাডশিন্নবা হোৎনসি। কাংলুপ মশেলগী মরক্তা উংখৎনবা অমদি খৎন-চৈনবনা শান্তি পুরকপদা অপনবা ওইরি। রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। মরম অদুনা, সরকারনা শান্তি পুরকবা পায়খৎলিবা খোঙথাংশিং অসিদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবসু শ্রী খেমচান্দনা আপিল তৌরি।

অমরোমদা, হৌজিক ক্লাস টেন ফাওবা লৈরিবা মীসন ব্লাইন স্কুল অসি অপগ্রেদ তৌদুনা উবগী শক্তি লৈত্রবা মহৈরোইশিংনা অতোপ্পা মফমশিংদা চৎতুনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বদা খুদোংচাবা পীনবা হোৎনগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাজবা পীখি।

**চহি ১২ (এল)ঃ** কেন্দ্রদা এন.দি.এ সরকারনা সাসন পায়রকপা চহি ১২ শুরকপগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা ঙসি **‘অকোইবগী খল অমসুং অইং আশা ঙাক শেন্দুনা থমবা ভারত সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং’** হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা হৌজিক নুমিদাং পুং ৭ মিনিত ৫০ দা শঙাই চেন্নেলদা শন্দোক্কনি।

হিরম অসিদা মনিপুর সরকারগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগকী দাইরেক্তর-ডা: তৌরাংবম ব্রজাকুমারগা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুগী দেক্স ইদিটর-ক্ষেত্রিমযুম গঙ্গাগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শাবগী থৌরম তাবা ফংবিগনি। হায়রিবা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অসি হয়েং থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮ দসু অকাশবানি ইম্ফালগী কংলা চেন্নেলদা অমুক হন্না তাবা ফংবীগনি।

**কল্যান (এল)ঃ** জন কল্যান সিবির, রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পাঙথোক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলনা শিন্দুনা চত্থরিবা জন কল্যান সিবির কেম্পেইনগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা পার্বুংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অধার এনরোলমেন্ট অমদি অপদেদ তৌবা, হেলথ চ্যেকঅপ, তোঙান তোঙানবা সরকারনা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী মতাংদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াওনা সি.এম.ঐচ.টি. অমদি পি.এম.জে.এ.ৱাইগী হেলথ কার্ড পীননবগী এনরোলমেন্ট দ্রাইবসু পাঙথোকখি। সরকারনা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিং মীপুম তিংনা খঙহন্নবগী পান্দমদা চংশিল্লক্লিবা জন কল্যান সিবির কেম্পেইন ককচিং জিলাগী এস.দি.ও. ওফিস কমপ্লেক্স-ৱাইখোংদা পাঙথোকখি।

কেম্পেইন অদু এম.এল.এ. ডা: যুমাম রাধেশ্যাম অমসুং ককচিং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হকথেংননা চৎতুনা মীয়ামদা পীরিবা খুদোংচাবশিং কুপা

য়েংশিনখি।

থৌবাল জিলাগী ওইনসু নুমিৎ হুমনি চুপা চথুরকপা জন কল্যান সিবির কেম্পেইন অসিগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা মীওই ৩০০ রোমদা সরকারগী য়াইফ থৌরাংশিংগী কান্নবা ফংহনখি। লোয়নননা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংশিংগী কান্নবা ফংননবা এপ্লিকেসন কয়া অমসু দিপ্যুতি কম্মিস্নারদা পীশিনখি। থৌরম অদুদা হকশেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী স্তোল ২৩ হাংদুনা মীয়ামদা খুদোংচাবা পীখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনসু ইশোক্কী চীংফু নিংথৌ শেন্বী লৈমা হরাউবুংদা ঙসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মীওই লিশিং অমা হেনবদা সরকারগী য়াইফ থৌরাংশিংগী কান্নবশিং ফংহনখি।

চান্দেল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী ওইনা জিলা থাক্তা পাঙথোকপা জন কল্যান সিবির পাব্লিক ৱেলফিয়ার কেম্পেইন ঙসি মায় পাকা লোয়শিনখ্রে। মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা শিনদুনা নুমিৎ হুমনি চথুরকখিবা কেম্পেইন অদুদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী স্তোলশিং হাংদুনা সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি অমদি কান্নবা কয়াসু ফংহনখি।

**লিগেল(এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা আর.এন.এল.পি.এম. এন.টি.এলগা খুৎশমদুনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি কাংপোকপী জিলাগী সনগাই-নমদাই বেপটিস চর্চ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু মরুওইনা মফম অদুদা লৈরিবা মীয়াম অমদি নুপীশিংদা পীরিবা হক অমসুং আইনগী ওইবা চৎনপথাপশিং খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন- টি.ঐচ. তিংনিংফম মোনশাংনা হায়-নুপীশিংদা চথবা মীওৎ মীনৈশিং থিংনবা হোৎনবদা আইননা পীরিবা ঙাক্লৌশিং খঙজিনবগী তঙাইফদবা লৈ। নুপী

ওইবীশিংনা আইন নিংথিনা খঙলবা মতমদা খুন্নাই অসিগী নুপী ওইবীশিংগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙমগনি। মহাকা হায়-নুপী ওইবীশিংনা অৱাবা তারবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিতিদা ৱাকৎতুনা আইনগী ওইবা মতেং লৌবা য়াই।

**ঈশিং-মৈ (এল)ঃ** পোরোম্পাৎ ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্টকী ইনটেক পোইন্টতা টেকিকেলগী খুদোংচাদবা লৈবা মরমনা মীয়ামদা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়না পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি।

হায়রিবা মফমশিং অদুদি-ন্যু চেক্কোন, নোংমৈবুং, থৱান থাবা লৈরক, ত্রাইবেল কোলো, খালাবুং লৈরক, সোইবম লৈকাই, অয়াংপল্লি, কোংপোল, টেলিপতি, ৱাংখৈ খুনৌনচিংবনি।

অমরোমদা, থারতি থ্রি বাই এলভেন কে.ভি. ইরোইশেম্বা সব ষ্টেসননা কোনবা মফমশিংদা হয়েং অয়ুক্কী পুং ১১ দগীনা নুংথিল পুং মরি মখায় ফাওবা মৈ মুৎকনি হায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা, পি.এম. ভিক্সিত ভারত রোজগার য়োজনাগী মখাদা বিনিফিসরিশিংদা ঙসি লুপা কোতি লিশিং অনি ৪০০ রোমগী শেনফমশিং য়েন্থোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মন্দাভিয়ানা হায়-স্কিম অসিগী মখাদা হৌখিবা চহিগী আগষ্ট থাদগী হৌদুনা স্কিম অসিগী মখাদা মীওই লাখ ৬৩ হেন্না থবক পীবা ঙমখ্রে। মসিগী মনুংদা চাদা ৩০ দি নুপীশিংনি। মহাকা হায়-স্কিম অসিগী মখাদা চাদা ৮০ দি অপিকপা ইন্টরপ্রাইজ ওইরি।

ডা: মন্দাভিয়ানা হায়-সরকারগী অহানবা থবক ফংলবা নহাশিংনা তাঙ্কক অনি থোকা লুপা লিশিং ১৫ গী শেনফম ফংগনি। স্কিম অসিগী মনুং চন্না ইনসেন্টিভ অসি দাইরেক্ট বিনিফিট ত্রান্সফরগী খুত্থাংদা বিনিফিসরি লাখ ১৫ হেনবদা

ফংহন্নবা থৌরাং তৌরি। মহাকা হায়-সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিনা অপিকপা অমসুং নৌনা হাংদোক্লিবা ইন্টরপ্রাইজশিংদা পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা নহাশিংবু থবক পীদুনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী য়াংলেন শরূ ওইরি।

**ফাইনান্স ঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা ঙসি মেঘালয়া জিলাগী রিবোই জিলাদা অৱাং নোংপোক রাজ্যগী ওইনা খ্বাইদগা চাউবা ওরগানিক স্পাইস প্রোসেসিং য়ুনিট ঙসি হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা নিরমালা সিতারামননা হায়-মেঘালায়াদা ফংলিবা ওরগানিক্কী ওইবা য়াইঙং অসি ইং ২০২৪ দা জি.আই.টেক ফংখ্রবনি। মালেমগী কৈথেলদা রাজ্য অসিগী শিঙ মখলশিং মীয়ামা পান্বা হেনগৎলক্লি। মসিনা রাজ্য অসিগী লৌমীশিংনা চল্লাইবা ইন্টরপ্রাইজশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবদা মতেং পাংলগনি।

ঙসি হাংদোক্লিবা প্রোসেসিং য়ুনিট অসি ইষ্টর্ন রিভোই ওরগানিক ফামরস প্রদ্যুসর কম্পানি লিমিটেদনা কেন্দ্র সরকারগী মীসন ওরগানিক ভেল্যু চেন দিবলপমেন্ট ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী মখাদা হাংদোকপনি। লুপা কোতি ৩২ চংনা শাখিবা য়ুনিট অসিনা ওরগানিক্কী শিঙ, য়াইঙং, মোরোকনচিংবা মরু-মরাংশিং চহি অমদা মেত্রিক টোন লিশিং ১০ হেন্না পুথোকবা পান্দম থল্লি।

থৌরম অদুদা মেঘালয়াগী মুখ্য মন্ত্রি-কোনরাদ কে. সংমা অমসুং সিক্কিমগী হকশেল মন্ত্রি-প্রেম সিংহ তমাং শরুক য়াখি।

**নিট ঃ** লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা নিট য়ু.জি. পরিক্ষাগী শেম শারিবা অদু শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না সভাপতি ওইদুনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমনা য়েংশিনখ্রে। মীফম অদুদা পরিক্ষাগী থবক থৌরমশিং পুকচেল শেংনা, ত্রান্সপেরেন্সি লৈনা অমদি থম্মোয় শেংনা পাঙথোকবা পাউতাক পীখি।

অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরিবা পরিক্ষা অসি নিতি নিয়ম চুমা, অশোই অঙাম য়াওদনা পাঙথোকবগীদমক মরী লৈনবশিংদা মন্ত্রিনা পাউতাক পীখি।

মীফম অদুদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংনা কেন্দিদেটশিংদা তঙাইফদবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা খঙহনখি।

**ফুটবোলঃ** ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি মপাল কাংজৈবুংদা শান্নখিবা মেটচতা-এইম-খাবমনা এস.এস.য়ুবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** প্রয়জা ফাউন্দরস ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-কাফা কোন্থা অহল্লুপনা সি.এস.সি. চনুংবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে।

**কাং ঃ** য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিন্দুনা হৌজিক চথরিবা অনিসুবা চুংখাম নোয়োন চান্দ সিংহ অমসুং ইবেয়াইমা দেবী মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কাং তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা-ক্লাস ওইনাম কাংখুৎনা গোলপাল দেব য়াইস্কুল কাংখুৎপু ২৩-১৩ দা থোইখ্রে।

**চেস ঃ** মনিপুর ষ্টেট চেস এসোসিয়েসননা শিনদুনা ৮ শুবা খুরাইজম রাম নারায়ন সাস্ত্রি মেমোরিএল ষ্টেট লেবেল চেস টুর্নামেন্ট থা অসিগী ২৫ দগী ৱাংখৈ হায়স্কুলদা পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা এসোসিয়েসন অসিগী মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা ওফিসতা লাক্তুনা অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

**ক্রিকেট ঃ** অহুমশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা ক্বাটর ফাইনেল

মেটচতা-কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈনা চেম্প-খাগেমপলিবু রন-২১ দা থোইখি।